# পিওংয়াংগী থ্রেটশিংগী মায়োক্তা কো ওপরেসন হেনগৎনবা আপিল তৌখ্রে সম্মিট মাঙওইননা আই সি বি এম কাপখ্রে

টোকিও, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): রিজনেল সেক্যুরিটিগা মরী লৈননা জপানদা খোঙচৎ অমা লৈরিবা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওলনা নোর্থ কোরিয়ানা পীরল্লিবা থ্রেটশিং থেংননবা সিওল অমসুং টোকিওগী মরক্তা কো ওপরেসন হেনগৎহনগদবনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



লৈবাক অনীগী মরক্তা মতম শাংনা উংখৎনবা ফিভম লৈরম্বদগী মরী খরা ফগৎলকপগা ইরোয়ননা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিও কিসিদাগা লোয়ননা সম্মিট অমা হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা য়ুননা আপিল অসি তৌখিবনি।

সম্মিট অদু লানগী মতমগী ফোর্স লেবরগী মতাংদা মতম শাংনা লৈরকখিবা উংখৎনবগী মতাংদা রিজোলুসন অমা পুরকখিবা মতুং য়াম্না সিম্বোলিক ওইবা খোঙচৎ অমদা য়ুননা জপানদা থুংলবা মতুং পুং খরগী পিএমগী ওফিসল রেসিদেন্সতা পাঙথোকখিবনি।

নুমিৎ নীনিগী ওইবা খোঙচৎ অদু চহী ১২ গী মনুংদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা য়ুমথংনরিবা জপানদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। খোঙচৎ অদুনা রিজনেল সেক্যুরিটিগী মতাংদা য়াম্না মরু ওইরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা পুৱারীগী ওইবা য়েৎনবা খরনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা খুরৌ থাংলল্লি হায়বদু উৎলি হায়রি।

য়ুননা সম্মিট অদু হৌদোকপগী ৱারোলদা হায়খি, মদুদি নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী পীরল্লিবা ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল থ্রেটশিং থেংননবা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপাননা য়াম্না নকশিন্নবা কো ওপরেসন পীনবা মথৌ তাই।

অমরোমদা, জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর কিসিদানা হায়খি, মদুদি সম্মিট অদুগা লোয়ননা লৈবাক অনীনা মখোয়গী মরীদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংবগী খুদোংচাবা পীরগনি। সম্মিট অদুগী মাঙওইননা গভর্ণমেন্ট অনী অমসুং বিজিনেস কম্যুনিটিশিংনা বাই লেটরেল মরী ফগৎহনবগী পান্দমগা লোয়ননা পরিং নাইনা এগ্রিমেন্ট কয়া লাউথোকখি।

জপাননা সেমি কন্দক্টরশিং অমসুং দিসপ্লেশিং পুথোকপদা য়াম্না মরু ওইরিবা ইন্দষ্ট্রিএল মেটেরিএলশিং এক্সপোর্ট তৌবদা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকপগী ৱাফম য়াখি। ফোর্স লেবরগী য়েৎনবগা মরী লৈননা জপাননা কুমজা ২০১৯ দা সাউথ কোরিয়াদা অথিংবশিং অদু থমখিবনি। লৈবাক অনীগী অচৌবা বিজিনেস লোবিশিংনসু জোইন্ট রিছর্স অমসুং য়ুঠ একচেঞ্জশিং প্রমোট তৌনবগী ফন্দ অমা শেম্বগী ৱাফম য়ানরে হায়না লাউথোকখি।

য়ুননা সম্মিট অদুগীদমক্তা সিওলদগী টোকিও পাঙলমদাই ঙাইহাক্কী মাঙওইননা নোর্থ কোরিয়ানা ইষ্ট সীদা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপখি। নোর্থকী থৌওং অদু পল্লদুনা মীচং লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংনা পিওংয়াংগী মিলিটরি থ্রেটশিং অদুগী মায়োক্তা সিওল অমসুং টোকিওনা ৱাশিংতনদা ট্রাই লেটরেল কো ওপরেসন পীনদুনা কায়হৌবগী থৌওংশিং অদুবু থেংনবা মথৌ তাই হায়না মত অমত্তা ওইনা ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট টোকিও খোঙচৎ অদু সিওলনা অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা নম্ফুদা থবক শুহনখিবা কোরিয়নশিংবু কম্পেন্সেসন পীবগী মতাংদা মতম শাংনা লৈরকখিবা য়েৎনবা অদুগী সোল্যুসন অমা লাউথোকখিবা মতুং চয়োল অনী ফাদবা মতমগী মনুংদা পাঙথোকখিবনি।

কুমজা ১৯১০ দগী ১৯৪৫ ফাওবা জপাননা কোরিয়াবু পাল্লিঙৈ মনুংদা লৈখিবা হার্দ লেবরগী ৱাথোক অদুগী মতাংদা জপানিস কম্পেনিশিং অদুগী মহুৎ শীন্দুনা কোরিয়ন ভিক্তিমশিং অদুবু কম্পেন্সেসন পীদুনা ওফর অসি সিওলনা লাউথোরকখিবনি।

# পোলিটিকেল সেটলমেন্ট লাকপগী খুদম চাংদমশিংগী মরক্তা সিরিয়াগী কনফ্লিক্ট চহী ১৩ চঙলক্লে

দমাস্কস, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): সিরিয়াদা মতম শাংনা লৈরল্লবা পোলিটিকেলগী লৈখায় তাদবা ফিভমগী মতাংদা চহী অসিদা সেটলমেন্ট অমা পুরকপা য়াগনি হায়বগী পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইরবা খুদম চাংদমশিংগী মরক্তা লৈবাক অসিগী কনফ্লিক্ট চহী ১৩ চঙলক্লে হায়রি।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, কুমজা ২০২৩ গী অহানবা থা অহুমগী মনুংদা মরু ওইবা দিভলপমেন্ট খরা লাকখিবগা লোয়ননা ক্রাইসিস অদুগী ১৩ শুবা চহীগী মনুংদা সেটলমেন্ট অমা লাকপা য়াই হায়বগী থাজবা উরকখি।

য়াম্না মরু ওইরিবা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইরিবা দিভলপমেন্ট অমদি রসিয়া অমসুং ইরাননা সিরিয়া অমসুং টর্কিগী মরক্তা য়ানবা অমা পুরল্লবা হোৎনবদা মায় পাল্লকখিবা অসিনি। য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা হৌখিবা চহী ১২ অসি লেপ্তুনা উংখৎনদুনা লাকখি।

অথুবা মতমদা সিরিয়া, টর্কি, রসিয়া অমসুং ইরানগী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা উন্নদুনা কনফ্লিক্ট অদু হৌখিবদগী অহানবা ওইনা সিরিয়া অমসুং টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টরশিং উনহন্নবা লম্বী ফাৎলগনি হায়রি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা রাইবেল অনীগী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা মোস্কোদা উন্নখি। ক্রাইসিস অদুবু ইংনা চিক্লা লৈখায় তাহন্নবা হোৎনবদা সিরিয়া অমসুং টর্কিগী মরক্তা অমগা অমগা থৈদোক থৈজিন তৌনদুনা য়ানবা অমা পুরকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়রি।

টর্কিনা সিরিয়ন কনফ্লিক্টকী ওপোজিসন শৌগৎপশিংগী মনুংদা অমা ওইনা সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা ওপরেট তৌরিবা মরু ওইবা রেবেল গ্রুপশিংদা ইথিল চাওনা পীবা ঙম্মী হায়না লৌনৈ। অতোপ্পা ইখঙ খঙহৌদনা লাকখিবা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা দিভলপমেন্ট অমদি চাইনানা ৱাতেমদুনা সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরানগী মরক্তা শন্দাইনবগী ফিভম লাকহনবা অসিনি। লৈবাক অনীমক রিজনেল পৱার হাউসশিং অমসুং সিরিয়ন কনফ্লিক্ট অদুগী মরু ওইবা প্লেয়রশিংনি। কনফ্লিক্ট অদুদা ইরাননা প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী গভর্ণমেন্টবু শৌগৎলি অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা মরু ওইবা ওপোজিসন বেক্কর অমা ওইরি। পুম্নমকসিগী মথক্তা হন্দক্তা থোকখিবা শাথিরবা য়ুহাশিংনা সিরিয়া অমসুং টর্কি অনীমক্তা অমাঙ অতা অমদি মীশি মীনা কয়া থোকহনখিবা অদুনা মরম ওইদুনা আরব লৈবাকশিংগী মরক্তা দমাস্কসপু করম্বা মীৎয়েংগা লোয়ননা মখোয়গী মরক্তা তিলহনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নদবা য়াদবগী ফিভম অমা লাকহনখি।

# লৈবাক শীন থুংনা ষ্ট্রাইক চত্থরিঙৈ মরক্তা ফ্রেন্স পার্লিয়ামেন্টনা পেন্সন রিফোর্মসকী মতাংদা দিবেট চত্থখ্রে

পেরিস, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): ৱাথোক ওইরবা পেন্সন রিফোর্মশিংগী মতাংদা ফ্রান্স শীন থুংনা মীওই লিশিং কয়ানা প্রোটেষ্ট চত্থরিঙৈ মরক্তা পার্লিয়ামেন্টকী জোইন্ট কম্মিটি অমনা বিল অদুগী দ্রাফট এক্সকী মতাংদা দিবেট চত্থখ্রে।




এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, পুং ৮ চুপ্পা ৱারী শানরবা মতুংদা নেসনেল এসেমব্লিগী মেম্বর তরেৎ অমসুং সিনেট্টর তরেৎকী কম্মিটি অদুনা বিল অদুগী টেক্সকী অকুপ্পশিংগী মতাংদা য়ুমশকৈশগী নুমিদাং অথেংবদা য়ানবা অমা পুরকখি।

মরু ওইনা মখোয়না মতম খরা শাংবা করিয়রশিং অমদি সেনিয়রশিংগী মতম শাংবা কন্ট্রেক্টশিং অমদি মমা ওইবীশিংগা মরী লৈনবা আর্টিকলশিংগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি।

টেক্স অদুগী ফাইনেল ভর্জন অদু শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা ফ্রেন্স সিনেটতা থাগনি অমসুং নেসনেল এসেমব্লিনা নুংথিলগী মতমদা মদুবু ভোট লৌনগনি। রিং-ৱিং পার্টিশিংনা দোমিনেট তৌবা ফ্রেন্স সিনেটনা বিল অদু মার্চ ১০ দা এপ্রুভ তৌখিবনি।

মতমদুদগী ফ্রান্সকী য়ুনিয়নশিং অমদি থবক শুরিবা মীওইশিংনা হৌজিক লৈরিবা লোনা য়াবা রির্টামেন্টগী চহী ৬২ অদুদগী অহোংবা লৈহন্দনবা নেসনেল এসেমব্লিদা প্রেসর পীদুনা লাকখি।

য়ুনিয়নশিংনা শীন্দুনা পেন্সন রিফোর্মশিংগী মায়োক্তা চত্থরকখিবা নিপানশুবা জেনরেল মোবিলাইজেসন অদুদা ফ্রান্স শীন থুংনা মীওই ৪৮০,০০০ না শরুক য়াখি হায়না য়ুমশকৈশগী নুমিদাংদা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখি। অদুম ওইনমক লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা য়ুনিয়ন ওইরিবা জেনরেল কনফিদরেসন ওফ লেবর (সি জি টি) না ফিগর অদু তশেংনমক্তি পীরিবা অসিদগী য়াম্না হেল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

সি জি টিগী মতুং ইন্না থবক্তগী পোত্থাবগী স্কিম দিফেন্দ তৌনবগীদমক্তা মীওই মিলিয়ন ১.৭ হেনবনা লম্বীশিংদা থোক্তুনা গভর্ণমেন্টগী থৌরাং অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি।

ফ্রান্সকী ৱার্করশিংনসু য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পাক শন্না ষ্ট্রাইক চত্থদুনা মখোয়গী য়ুনিয়নশিংবু শৌগৎপা উৎখি।

# পোলেন্দ সেন্ট্রেল য়ুরোপকী ইনর্জি হব ওইহল্লগনি: পিএম

ৱারশো, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): পোলেন্দনা সেন্ট্রেল য়ুরোপকী ইনর্জি হব অমা ওইনবা অমসুং ইনর্জি সেক্যুরিটি প্রোবাইদর ওইরল্লবগী পান্দম থল্লি হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর মাটিয়ুস মোরাৱিকিনা ফোঙদোকখ্রে।

কেপিটেল ৱারশোদা তুংগী ইনর্জি সিষ্টেম সেকুর ওইহন্নবা পোলিস-য়ুক্রেনিয়ন পার্টনরশিপকী মতাংদা পাঙথোকপা কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা মোরাৱিকিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ঐখোয়গী থৌরাংদি সেন্ট্রেল য়ুরোপ অপুম্বগী ওইনা লৈবাক অসিবু ইনর্জি হব, মরু ওইনা গ্যাস হব অমা ওইহনবা অসিনি।

পোলিস প্রেস এজেন্সিগী মতুং ইন্না কনফরেন্স অদুদা লৈবাক অনীগী গভর্ণমেন্টশিং অমসুং মরু ওইবা ইনর্জি কম্পেনিশিংগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা শরুক য়াখি।

মোরাৱিকিনা হায়খি, মদুদি মহাক্কী গভর্ণমেন্টগী থৌরাংদি হান্নদগী লৈরল্লবা ইন্টর-কন্নেক্টরশিং অমসুং গ্যাস পাইপ লাইনশিংগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী তুংগী ওইবা ন্যুক্লিয়র ইনর্জিগী ইনভেষ্টমেন্টশিংদা মীৎয়েং থম্মী।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি লিক্যুফাইদ নেচরেল গ্যাস (এল এন বি) রি গেসিফাইদ তৌনবা, রিসিপ তৌনবা অমসুং ষ্টোরিং তৌননবা ফ্লোটিং টর্মিনেল অমদা ইনভেষ্ট তৌবা লৈখ্রে। বাল্টিক কোষ্টকী গদাঙ্কসতা লৈবা নাপটোপোর্ট কম্পেনিগী ক্রুদ ওইল হেন্দলিং ফেসিলিটিশিং হেন্না চাওথোকহল্লগনি।

ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি তুংদা রিসিপেন্টশিংনা শীজিন্নবা য়াগনি। পোলেন্দগী রিসিপেন্টশিংদা নত্তনা য়ুক্রেন, চেক রিপব্লিক, স্লোভাকিয়া অমসুং হঙ্গেরিগী পার্টনরশিংনসু শীজিন্নবা য়াগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মাটিয়ুসকী মতুং ইন্না পোলেন্দ অমসুং চেক রিপব্লিক্না ষ্টোক টু গ্যাস ইন্টর কন্নেক্টর শেমগৎ শাগৎপগী জোইন্ট প্রোজেক্ট অমদা অমুক হল্লক্লবা অমসুং লৈবাক অনীগী মরক্তা ক্রোস-বোর্দর ইনর্জি ব্রিদজশিং শেমগৎ শাগৎপদা মীৎয়েং থম্ননবা থৌরাং তৌরি।

# কানাদানা মিসাইল ১২ য়াওনা য়ুক্রেনদা অহেনবা মিলিটরি মতেং পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে

ওটাৱা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): য়ুক্রেনদা অহেনবা মিলিটরি মতেং পীরগনি হায়না কানাদাগী দিফেন্স মিনিষ্টর অনিতা অনন্দনা লাউথোকখ্রে। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ইস্যু তৌখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা অনন্দনা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনদা হৌজিক দিপ্লোই তৌরিবা এয়র দিফেন্স সিষ্টেমশিংদা অশোনবা লৈহন্দবগীদমক্তা কানাদানা এম এম ১৫৫ কী এম্যুনিসন রাউন্দ ৮০০০ লোমগা লোয়ননা কানাদিয়ন আর্মদ ফোর্সেস (সি এ এফ) ইনফেন্টরিদগী এয়র দিফেন্স মিসাইল ১২ দোনেসন তৌরগনি।




দেনমার্ক, জমর্নি অমসুং নেদরলেন্সনা লাউথোকখিবা লেপর্দ ১ টেঙ্কশিং অদুবু সপোর্ট তৌনবগীদমক্তা কানাদানা এম এম ১০৫ কী ট্রেনিং এম্যুনিসন রাউন্দ ১৮০০ হেনবসু দোনেসন তৌরগনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারীগী অরোইবা শরুক্তা কানাদানা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবা অহেনবা লেপর্দ ২ ম্যেন বেটল টেঙ্কশিং থাবসু সি এ এফনা হৌরে হায়বসি মহাক্না কনফার্ম তৌখি।

পনবা য়াবদি, কানাদানা পুন্না য়ুক্রেনদা লেপর্দ ২ ম্যেন বেটল টেঙ্ক নিপান পীবগী ৱাফম য়াখ্রবনি। টেঙ্ক নিপানমক অমসুং হান্না লাউথোকখিবা আর্মর রিকোভরি ভেহিকল, এন্সিল্লরি ইক্বিপমেন্ট অমসুং এম্যুনিসননচিংবশিং লাক্লিবা চয়োল খরা অসিগী মনুংদা য়ুক্রেনদা থুংলগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

কুমজা ২০২০ গী ফেব্রুৱারীদগী কানাদানা সিনেটর কর্ম্মসিএল পেটর্ন আর্মর ভেহিকল ২০০ হেনবা, নেসনেল এদভান্স সর্ফেস-২-এয়র মিসাইল সিষ্টেম অমদি মরী লৈনবা এম্যুনিসনশিং, আর্মর কম্বেদ সপোর্ট ভেহিকল ৩৯ অমসুং এন্টি টেঙ্ক খুৎলায় কয়া য়াওনা য়ুক্রেনদা অতৈ মিলিটরিগী মতেংশিং পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

সি এ এফ পর্সনেলশিং হৌজিক ওপরেসন য়ুনিফায়র হায়না খঙনবা য়ুক্রেনগী আর্মদ ফোর্সেসশিংবু সপোর্ট তৌবগী ওইবা কানাদাগী মিলিটরি ট্রেনিং অমসুং কেপাসিটি বিল্ডিং মিশন অসিগী মখাদা য়ুক্রেনিয়ন আর্মদ ফোর্সেসকী মেম্বরশিং ট্রেনিং পীবদা মতেং পাঙনবগীদমক য়ুকে অমসুং পোলেন্দদা হৌজিক হৌজিক দিপ্লোই তৌরিবনি।

কুমজা ২০১৫ দা ওপরেসন য়ুনিফায়র হৌখিবদগী সি এ এফনা য়ুক্রেনগী সেক্যুরিটি ফোর্সেসকী মেম্বর ৩৫,০০০ হেন্না ট্রেনিং পীখ্রে হায়না কানাদিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরল্লি।

# রামজান নকশিল্লকপদা অল-অক্সাগী ফিভমদা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনবগী মায়োক্তা ৱার্নিং তৌখ্রে

গাজা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): মুস্লিমশিংগী শেংলবা থা রামজান নকশিল্লকপগা লোয়ননা হমাসনা ইষ্ট জেরুসালেমদা লৈরিবা অল-অক্স মোস্ককী হৌজিক লৈরিবা ফিভমদা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনবগী মায়োক্তা ইজরেলদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

মোস্ক অদুগী হৌজিক্কী ফিভম অদুদা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনরকপদা মফম অদুবু অকনবা য়ুহা হারকপগুম্না নিকহনগনি হায়রদুনা হমাসনা ইজরেলদা ৱার্নিং অসি পীখিবনি। হমাসকী মিলিটরি ৱিং ওইরিবা অল-কাসম ব্রিগেটসকী দিপ্যুটি চীফ ওফ ষ্টাফ মরৱান ইসানা ৱার্নিং অসি পীখিবনি।

অমরোমদা, জেরুসালেম অমসুং অল-অক্সা মোস্ক কম্পাউন্দদা ইজরেল অমসুং পলেষ্টাইনগী মরক্তা উংখৎনবা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিঙৈদা মরৱাননা ৱার্নিং অদু পীরিবনি।

ইসাননা হায়খি, মদুদি হৌজিক পোলিটিকেল প্রোসেস অমত্তা লৈতে। য়েক্লবা ইজরেলনা কুমজা ১৯৯৩ দা ইজরেল অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা ওস্লো ট্রিটিস অরেম্বা তাহনখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মখল মখা কয়াগী থৌদোক ৱাথোকশিং উরগনি।

পলেষ্টাইন পুম্বদা মরু ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং জেরুসালেমদা চত্থরিবা রেজিষ্টেন্স এক্সন শৌগৎনবা মহাক্না মরী লৈনবা খুদিংমক্তা আপিল তৌখি অমসুং হকথেংননা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারকপা মতমদা ঐখোয়না অরৈবা ফোর্স পুম্নমক শীজিন্নদুনা পলেষ্টিনিয়ন মীয়াম্বু দিফেন্দ তৌগনি হায়খি।

কুমজা ২০২২ গী এপ্রিলদা জিয়ুশিংনা শেংলবা অল-অক্সা মোস্কতা চঙখিবদগী মোস্ক অসিগী কম্পাউন্দদা লাই খুরুম্লিবা পলেষ্টিনিয়নশিং অমসুং ইজরেল্লি পুলিস ফোর্সশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লখিবনি।

# য়ুহা হাখিবা টর্কিগী প্রোভিন্সশিংদা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা মীওই মঙা শিখ্রে

অঙ্করা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৬ তা হাখিবা শাথিরবা য়ুহাশিংগী চৈথেং কোক্ত্রিবা টর্কিগী খা থংবা প্রোভিন্সশিংদা ঈশিং ঈচাও থোকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই মঙা শিখ্রে অমদি অতৈ মঙা থীবা খঙখিদ্রে হায়রি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সানলিয়ুফা প্রোভিন্সকী গভর্ণর সালি এহাননা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা সানলিয়ু প্রোভিন্সতা য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখ্রে অমসুং ফায়র ফাইটর অনী থীবা ফঙদনা লৈরি।

লমদম অদুগী অদিয়ামান প্রোভিন্সতা মীওই মরিগী ইমুং অমগী টেম্পররি হোম ওইনা শীজিন্নবা কন্টেন্নর অমা ঈশিং ঈরৈনা চেন্থখ্রে হায়রি। লাইবক থীবদি ঐখোয়না মীওই মরিদুগী মনুংদা অমগী হকচাং ফঙখি। অতৈ অহুম অদুবু থীবগী থবক হৌজিক কন্না চত্থরি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সোলেমান সোইলুনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# চাইনানা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা সাউদি-ইরান দিল তরাম্না ওকখ্রে

য়ুএন, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): চাইনানা ৱাতেমদুনা দিপ্লোমেটিক মরীশিং মহৌশাগী ফিভমদা অমুক লাকহন্নবা সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরানগী মরক্তা পুরকখিবা এগ্রিমেন্ট য়েমেনগী ওইবা য়ুএন স্পিসল এনভোই হান্স গ্রুনবর্কনা তরাম্না ওকখ্রে।




য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী ব্রিফিং অমদা গ্রুনবর্কনা হায়খি, মদুদি পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনানা ৱাতেমদুনা সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরানগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক মরী মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নবা হন্দক্তা য়ানখিবা অদু ঐহাক্না তরাম্না ওক্লি হায়বসি মীয়াম পুম্নমক্তা খঙহনবা পাম্মী।

মসিগী দাইলোগ অমসুং য়ুমলোন্নবশিংগী ওইবা অফবা মরী অসি লমদম অদুগী অমদি য়েমেনগী ওইনা য়াম্না মরু ওই। পার্টিশিংনা রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল খোঙথাংশিং অসিনা পীরিবা খুদোংচাবা অসি লৌদুনা হেন্না ৱাহন্থোক লৈবা তুংলমচৎ অমা লাকহন্নবা ৱারেপশিং লৌগদবনি হায়না মহাক্না ভিদিও লিঙ্ককী খুত্থাংদা ফোঙদোকখি।

য়ুএন স্পিসল এনভোই অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি লমদম অদুদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা নাকল অনীগী মরক্তা চান্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা হায়বসিদা অখাঙ কনবা অমদি অশানবা মীৎয়েং লৈবা মথৌ তাই। তশেংনমক মসিদা থৌনা অমসুং লিদরশিপকী মথৌসু তাই।

হৌখিবা চহী অসিদা মায়কৈ অসোমদা এচিভমেন্ট খরা লাকপা উরিবসিদা হেন্না কন্না হোৎনদুনা মথংগী ওইবা এচিভমেন্টশিং লাকহন্নবা নাকল অনীমক্না হৌজিক হোৎনগদবনি।


গ্রুনবর্কনা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২২ গী এপ্রিলদা ট্রুস অমা চৎনবা হৌখিবদগী য়েমেনগী মীয়াম্না হাৎন-শুনবগী অচৌবা থৌদোকশিং থেংনরক্তবা চহী অমরোম ফারে। শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা মরা তপ্পা ফিভম অমা লাকপা উরিবসিগী মথক্তা ট্রুসকী মচাকশিং মখা তানা ইমপ্লিমেন্ট তৌদুনা য়েমেনগী মীয়াম্বু কান্নহনবা হায়বসি পার্টিশিংনা মীৎয়েং চঙগদবা ৱাফম্নি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয় পুম্নমক্তা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু মপুং ফানা কান্নবা ফঙহনবগী মশক থোকপা ফিভমশিং উবা ফঙদ্রি।

ট্রুস অদুনা লাকহল্লিবা ফিভমশিং অদু হেন্না চেৎশিলহন্নবা অমদি লৈবাক শীন থুংনা সিজ ফায়র পুরল্লবা অমসুং য়েমেনগী কনফ্লিক্ট লোইশিন্নবা ইনক্লুসিব পোলিটিকেল সেটলমেন্ট অমা লাকহন্নবগী মায়কৈদা পুম্নমক্লা থুনা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তা ইরাননা শৌগৎপা হৌথি মিলিসিয়ানা য়েমেনগী অৱাং থংবা সিটি কয়াদা থোমজিন্দুনা সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা য়েমেনি গভর্ণমেন্টবু কেপিটেল সানাদগী তকথোকখিবদগী লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার অমা থোক্তুনা লাকখি। কুমজা ২০১৫ দা য়েমেনগী কনফ্লিক্ট অদুদা য়াওশিন্দুনা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন্না য়েমেনি গভর্ণমেন্টবু শৌগৎতুনা লাকখি।

# ‘ইমরাননা কোর্টতা সরেন্দর তৌরবদি মহাকপু পুলিসনা ফাহল্লোই’

ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): করিগুম্বা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা টোসাখানা কেসতা কোর্টতা সরেন্দর তৌবা তারবদি ইস্লামাবাদ পুলিসনা মহাকপু ফাননবা হোৎনবদা অথিংবা পীগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা পাকিস্তানি জজ অমনা ফোঙদোকখ্রে।



এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন (এ দি এস এ) জজ জাফর ইকবালনা ৱাফম অসি ষ্টেট গিফশিংগী অকুপ্পশিং লোৎশিনবগীদমক খানগী মায়োক্তা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংস লৌখৎনবা হোৎনরল্লিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিস্তান (ই সি বি) গী রিফরেন্স হিয়ারিং চত্থবদা ফোঙদোকখিবনি।

রিফরেন্স অদুদা সেসনস’ কোর্টনা পি টি আইগী চিয়ারমেন অসিবু ফেব্রুৱারী ২৮ দা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীননবা লেপখিবনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী উকিলনা জজতা মহাক অতৈ কোর্ট কয়াদা এপিয়ারেন্স পীগদবা লৈবনা মরম ওইবনা মহাকপু হিয়ারিং অদুদগী একজেম্প তৌবীনবা হায়জবদগী ইন্দাইটমেন্ট অদু য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

মদুগী মমাঙদসু থেংখাং কয়াদা ইন্দাইটমেন্ট য়ৈথোক্তুনা লাকখি। মমৈথংদা জজনা খানবু ফাননবা নন-বেলেবল ৱারেন্টশিং ইস্যু তৌখি অমসুং পুলিসতা মহাকপু মার্চ ৭ তা কোর্টতা পুথোরল্লবা ইন্সট্রক্সন পীখি।

দোনগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি হান্নগী পিএম খাননা এরেঞ্জ ৱারেন্টশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপা য়াহন্দনবা হোৎনখি অমসুং মতুং তাবদা ইস্লামাবাদ হায় কোর্ট (আই ঐচ সি) দা ৱাকৎতুনা ৱারেন্টশিং অদুবু কেন্সেল তৌনবা হায়জখি।

আই ঐচ সিনা পি টি আইগী চীফতা রিলিফ খরা পীরবসু মহাকপু মার্চ ১৩ ফাওবগী মনুংদা সেসনস’ কোর্টতা কারক্লবা খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং হান্নগী পিএম অসিনা অমুক হন্না হিয়ারিংদা শরুক য়াখিদে। মদুনা মরম ওইদুনা এ দি এস জে ইকবালনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা খানগী মায়োক্তা অমুক হন্না নন-বেলেবল ৱারেন্ট ইস্যু তৌখি।

# কলম্বীয়াগী কোল মাইন পোকখায়বদা মীওই ১১ শিরে, কয়া অমনা শোকখ্রে

বোগোটা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): কলম্বীয়াগী কুন্দিনামারকাদা লৈবা কোল মাইন অমদা পোকখায়রকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিখ্রে অমসুং অতৈ তরা থীবা ফঙখিদ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরল্লি।

প্রসিদেন্ট গুষ্টাবো পেট্রোনা য়ুমশকৈশগী অথেংবদা ত্বিটর পোষ্টকী খুত্থাংদা হায়খি, মদুদি কোল মাইন মনুংদা হিংনা হিংনা লাংদা থুবগুম্না লৈখ্রবা মীওইশিং রেস্ক্যু তৌননবা ঐখোয়না কুন্দিনামারকা গভর্ণমেন্টগা খুৎশম্নুনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলি।

হৌজিক হৌজিক থোল্লকপা য়াদনা লৈরিবা মাইনর তরা রেস্ক্যু তৌননবা লৈবাক অসিনা, দিপার্টমেন্ট, ম্যুনিসিপালিটি অমসুং রিলিফ এজেন্সিশিং লেপ্পা নাইদনা হোৎনরি। য়ুবেট হোস্পিটালদা মাইনর মাপন ট্রিটমেন্ট চত্থরি। মাইনর তরুক হৌজিক ফাওবদা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়না কুন্দিনামারকাগী গভর্ণর নিকোলাস গার্সিয়া ভুষ্টোসনা সোসল মেদিয়াদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি অমুকসু পোকখায়বা য়াবগী খুদোংথীবা ফিভম লৈদুনসু রেস্ক্যু টিমশিংনা মাঙখ্রবা মাইনরশিং অদুবু ফংননবা কন্না হোৎনরি। মফম অদুদা গ্যাস পৈশিল্লকপনা মরম ওইদুনা অমুকসু পোকখায়রকপা য়াবগী রিস্ক লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মাইন মনুংদা পোকখায়রকখিবা মতম অদুদা মিটর ৯০০ লূবা অমগা অমগা শম্নবা মাইন মঙাগী মনুংদা মাইনর ৩০ থবক তৌদুনা লৈখি।

থৌদোক অদুদা মাইনর মঙাদি মশানা হোৎনজদুনা নাম্থোরকখি হায়না কুন্দিনামারকা ফায়র দিপার্টমেন্টকী কম্মান্দর অলবারো ফারফাননা ফোঙদোকখি।

ফারফাননা হায়খি, মদুদি মাইন মনুংদগী থোল্লকপা য়াদনা লৈরিবা মাইনরশিংগী হকশেলগী ফিভম খঙদোক্লবা অমসুং রেস্ক্যুগী থবক খুদোংচাহন্নবা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মাইনরশিং অদুগা পাউ ফাওনবা য়ানবা হোৎনরি। থীবা ফঙদ্রিবা মাইনরশিং অদুগী ফেমিলি মেম্বরশিং কোল মাইন অদুগী মপানদা পুনখি অমসুং লৈখিদ্রবশিং অদুগী মরী মতাশিংদা সাইকোলোজিকেল এইদ পীখি হায়না কুন্দিনামারগী গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।